

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JULY 15, 2018 **PAGE 7**


*ইন্দিয়াগী ৱিকেট কিপরশিংগী মনুংদা কেচ ৩০০ তৌদুনা খ্বাইদগী অহানবা শান্নরোই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি*

*ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী রন্নর্স অপ তাহৌরবী য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস*



## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

# বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

*সেন্ট পিটর্সবর্গ, জুলাই ১৪ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চখৎরিবা ২১শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা ফংখ্রে।

বেলজিয়মগী টিম ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী মখুত্তা পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিহৌবনি। অমরোমদা ইংলেন্দগী টিমসু সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়ানা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

বেলজিয়মগী টিম্না মখোয়গী অরোইবা মেটচ ৫ শান্নখিবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা মেটচ অমা মায়থিবা নংখি। অদুগা ইংলেন্দনা মখোয়গী অরোইবা মেটচ ৫ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা মেটচ অনীনা মায়থিখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল অসিগী গ্রুপ স্টেজগী মেটচ অমদা বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মমাঙগী রেকোর্দশিং অসিনা ঙসি শান্নগদৌরিবা ৩শুবা পোজিসনগী মেটচ অদু বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু থোইবগী চাং ৱাংনা লৈখিবনি।

বেলজিয়ম অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচ অদু হৌরকপদা বেলজিয়মনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবা হেনখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই থোমাস মিয়ুনিয়রনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইংলেন্দবু ১–০ দা হেন্দুনা চৎপা ঙমখি।

শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দি ব্রুইননা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লদুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেপ্টেন হেরি কেননা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈরুরবা মতুং শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন ইদেন হজার্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইংলেন্দবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু বেলজিয়মনা ইংলেন্দবু ২–০ দা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংবা ঙমখি।




*ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

# কুমজা ১৯৯৮ কী লম্মন শিংদুনা ঙসি ক্রোএসিয়ানা ফ্রান্সপু মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অহানবা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি

*মোস্কো, জুলাই ১৪ঃ*

কুমজা ১৯৯৮ গী লম্মন শিংদুনা ক্রোএসিয়ানা হয়েং ফ্রান্সপু মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি।

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চখৎরিবা ২১শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিও মেন্দজুকিচনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ক্রোএসিয়ানা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ফ্রান্সনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৯৮ দা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু সেমি ফাইনেলদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী ক্রোএসিয়া টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি। ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেলদা ফ্রান্সনা ব্রাজিলবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৮ কী ফ্রান্স ৱার্ল্ড কপ অদুগী অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নবদা ক্রোএসিয়ানা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোজিসন অদু কনবা ঙমখিবনি।

ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী মরুওইবা শান্নরোই ওইরিবা টিম অসিগী কেপ্টেন লুকা মেদ্রিক, ইভান রাকিটিক, ইভান পেরিসিক, মারিও মেন্দজুকিচ অমসুং দোমাগোজ ভিদানা ফ্রান্সপু করম্না মায়থিবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা টাইটল ফংনবগী লম্বেল য়াৎপা লোইখ্রে।

অমরোমদা ফ্রান্সকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা এন্টোইন গ্রিজমান, ওলিভর জিরোদ, পোল পোগবা, কাইলিয়ান মবাপ্পে অমসুং সামুয়েল উমটিটিনা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা মখোয়গী অনীশুবা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলগী ফাইনেলদা ক্রোএসিয়া অমসুং ফ্রান্সনা হয়েং রুশিয়াগী কোনুং মোস্কোদা লৈবা লুজনিকি ষ্টেদিয়মদা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।




| |
|---|
| ***Final Match*** |
| ***15-07-2018*** |
| France vs Croatia |
| Time: 08.30 pm |
| Venue: Luzhniki Stadium, Moscow |

# থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং জপানগী নোজোমী ওকুহারা লম্বা তৌনরগনি

*বেঙ্কোক, জুলাই ১৪ঃ*

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং জপানগী নোজোমী ওকুহারা মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্লুনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেগোরিয়া মারিস্কা টুনজুংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২৩–২১, ১৬–২১, ২১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনগদৌরিবী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১০ দা থোইরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা জপানগী কান্টা সুনেয়ামা অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টো লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী কান্টা সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী সোনী কুনকোরোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২১–১৩, ১৪–২১, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই টোমী সুগিয়ার্টোনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই সুপ্পানয়ু এভিহিংসানোনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৫, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

৩শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মিসাকী মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিনা সেমি ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমসুং রাৱিন্দাবু ২১–১৬, ২১–১৯ দা থোইরমদুনা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র জপানগী সিহো টানাকা অমসুং কোহারু য়োনেমোটোবু ২১–১৫, ২১–১৮ দা থোইরম্বা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং এপ্রিয়ানি রাহায়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইংলেন্দগী খৃস এদকোক অমসুং গাব্রিয়েলি এদকোকনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফাইজাল অমসুং গ্লোরিয়া ইমানুয়েলি ৱিদজাজাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দগী খৃস এদকোক অমসুং গাব্রিয়েলা এদকোকনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপেগী ৱাং চি লিন অমসুং লি চিয়া সিনবু ২১–১৬, ১৯–২১, ২১–৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফাইজাল অমসুং গ্লোরিয়া ইমানুয়েলি ৱিদজাজানা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী লু কাই অমসুং চেন লুবু ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকেসি কামুরা অমসুং কৈগো সোনোদানা অতোপ্পা জপানগী ৩শুবা সিদেদ পেয়র টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোবু ২১–১৯, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*থাইলেন্দ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী ইন্দিয়াগী সিন্ধু (ওই) অমসুং জপানগী ওকুহারা*

# জর্মনিগী কর্বরনা ৱিম্বলদনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী এন্দরসন অমসুং সর্ভিয়াগী জোকোভিস থেংনরগনি

*লন্দন, জুলাই ১৪ঃ*

জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন অমসুং সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিস লম্বা তৌনরগনি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা সেমি ফাইনেলদা ১৩শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ১৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ৬–২, ৬–৪ দা থোইরমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থারিবী জর্মনিগী কর্বরনা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু উৎপা ঙমখিবদগী য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা সেট অদুসু ৬–৩ দা থোইদুনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন অমসুং ১২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা টাইটলগীদমক লম্বা তৌরগনি।

৮শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা ঙরাং অথেংবদা পুং ৬ কা মিনট ৩৬ চঙনা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী শান্নরোই জোন ইসনরবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেটচ অমদা ৭–৬(৮–৬), ৬–৭(৫–৭), ৬–৭(৯–১১), ৬–৪, ২৬–২৪ দা থোইদুনা চহী ৯৭ গী মতুং দা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই অমনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ওইখি।

কেভিন এন্দরসনগী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৬–৪, ৩–৬, ৭–৬(১১–৯), ৩–৬, ১০–৮ দা থোইরম্বনি।



## ২২শুবা সব–দিভিজন বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল

# দিএসএ চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ইম্ফাল, জুলাই ১৪ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ২২শুবা সব–দিভিজন বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা দিএসএ চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট অনীনা থা অসিগী ১৬ দা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম তরুক্না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়াখিবনি। গ্রুপ 'এ' গী ওইনা চুরাচান্দপুরনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অদুগা গ্রুপ 'বি' গী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা লীগ মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা চুরাচান্দপুরবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ই গাইভিক্টর অমসুং ৱাই মহেসনা শান্নবগী ১২ অমসুং ৭২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। চুরাচান্দপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জিননৈলালনা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রেফরিনা চুরাচান্দপুরগী চিনমিনলেন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে অকাস শান্নবগী ২৬ অমসুং ৩২শুবা মিনটতা য়োল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অরোইবা লীগ মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চান্দেল গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা চান্দেলগী ঐস এল অঙারিংনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা চান্দেলগী জে কোবনা মখোয়গী ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা মখুৎনা বোল ফারুবগী রেফরিনা য়োল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পেনাল্টি কিক অদু এন আর্জুননা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নখিবা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো ওইখি। মেটচ অদুদা রেফরিনা ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোই অনী ধনরাজ অমসুং অমুবদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।



# এসিয়ান জুনিয়র টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবু ৫–০ দা থোইখ্রে

*জার্কটা, জুলাই ১৪ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাদা ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়ান জুনিয়র টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী টাই অমদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র বেদমিন্টন টিম্না কজাখষ্টানবু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং কজাখষ্টানগী টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস লম্বাদা ৱার্ল্ড নম্বর ১১ দা লৈরিবী ইন্দিয়াগী অকার্সি কাশ্যপনা কজাখষ্টানগী আইয়া গোর্দেয়েভাবু ২১–৫, ২১–৪ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৯ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা কজাখষ্টানগী দিমিত্রি পানারিনবু ২১–১৫, ২১–১২ দা থোইরগা মেটচ ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

নুপীগী দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র সিমরন সিঙ্গি অমসুং রিটিকা থাকরনা কজাখষ্টানগী পেয়র আইয়া গোর্দেয়েভা অমসুং আইসা ঝুমাবেকপু ২১–৭, ২১–৮ দা থোইখি। মরিশুবা মেটচকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবু ২১–৫, ২১–১৬ দা থোইরবা মতুং অরোইবা অমসুং মঙাশুবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবু ২১–৭, ২১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা কজাষ্টানবু ৫–০ দা থোইখি।